


*"করম্বা কান্দা ঐ ঐনা খঙজবা অশেংবদু খ্বাই অতৈনা চপ চানা খঙবীগদগে? মীওইবগী মরক্তা মসিবু শুকওইমক ওইররোইদ্রা"*

*- এলাংবম সোনামনি (হাজারী)*

## হে থমোয়!
**(টু মিসেল্ফ)**
**—জর্মন লোন্দা : পোল ফ্লেমিং**

নঙবু করিগুম্ব'মতনা ঙমহনগনু
ৱাহনবা নৎত্রগা চিরোন-খারোন,
নৎত্রগা নীংঙমদবসু হেন্না পোক্লুগনু,
য়াম্না তপথৌ;
নোংদম্বগী নোংদমখোন অচুম্বনি খল্লু
তন্নকপা নরাইবক্তুদা পেন্থোকউ
হে থমোয় নঙবু!

করিগীনো নঙনা ঙসি অদুক ৱারিববু
হয়েংগী খনবদা, হে থমোয়!
নোংদম্বনদি কূপ্না য়েংলিবনি
খ্বাইদগী চুম্বদুনা কদায়নো?

নঙ খক চিংনগনু
মানা নঙগী শরুকসু থুংলকখিনি
শোয়দনা।

অদুনা
নঙগী'এবু ফাথৌ পূক্লিং, তনিক্কনু,
নিরুনু কৈদৌনুং, কনাগী থৌজাল মালেমসিদা,
ঙাইবদা কল্লু,
নঙসু খঙলিবদুনি, মপূদি পূন্নমক্কীনি,
অদুনা নঙগীসু
খ্বাইদগী ফবদু পীবিরকখিনি খল্লু।

**ইংরাজিদা : কেথেরিন ৱিঙ্কৱর্থ**
**মণিপুরীদা : সলাম তোম্বা**

## য়াওশঙগী লীলা
**—শ্রীকাংজম নন্দকুমার**

য়াওশঙগী মচলনি থাবল
কুমসিদি য়াওশঙগী লীলা অমা তৌগনি
লৈকায় মৌশিংগী চাকচা হৈজানবগী

থা অমা খরা হেন্না ৱাৎলিঙৈদগীনি
মৌশিং অদুনা খুন্দিন্নখিবদো
অয়ূক অমুক, নুংথিল অমুক, নুমিদাং অমুক
মখোয় মশেল মুরুম মুরুম
অমনা অমা হায় অমনা অমা হায়।

য়াওশঙগী লীলানি, য়াওশঙগী থাবলনি
ৱারী শান্নখিবা হায়রপ তাহৌখি
মমৌ ইবেম্মনা
ৱাহৈশিং অদুদা মোমোন মোমোন নোকচখি।

কুমসিগী য়াওশঙগী কুন্ধো অমদি লৈরে,
থম্মোয় নুংদা নুংঙাইবগী মীহুল অমা
খঙহৌদনা তীং লাউবা অমদি ফাওখি।

মনেম মকুগী থৌগলদগী
মীৎকুপ অমতসু হেন্দোকচদবী
মনেম মকুগী থৌগলদগী
নোংমতসু থোঙ্গাল লানজদ্রবী
কুম অমগী য়াওশঙ লীলাগী
মপাউ তাজবদা
থম্মোয় মীহুল কাংহনখিবী
খুরুমজৈ শেম্বীবা মপূদা
অশোয় অঙাম য়াওদনবা।

## কনাগুম্বী লৈলাংবী অমদা
**—নোংমাইথেম নোরেন**

হে নীংথিবি লৈলাংবী
খূৎতা য়েন্দায় পায়দুনা
সাহিত্যগী লৈকোলদা চঙদুনা
লৈরাং লৈচল থিরিবী
কনাই মশুং লাংগীনো
মীতৈ ইমাগী নত্তবরা!

চঙশিল্লু থিয়ু হনগনু
নারক-মোংশোং, চীংনুং-মানুং
উমং-ৱামং, পাৎয়া-তময়া
লৌবুক-লম্ফাং, লোয়া-তময়া
শাৎলিবনি লৈখল শুনা
কমল, চাওবা, মিনকেতন্না পামজখিবা।

হে শকহেনবী লৈলাংবী
লৈরাং লৈখল শুনা হেক
গুলাপ মানবী খূৎতুনা
লৈচল চানা লেংদুনা
হুকউ মীতৈ ইমাগী ঙকশমদা
পজেং ফিরাল থেৎনবা।

## ঐগী মপোকসে
**—কান্তা মৈরালাকপম**

তাইবঙসে অৱাবনা
পীক থল্লি
নুংঙাইবা শরুক য়াওদে
ঐগী মপোকসে।

খাঙলি ঐনা
নুমিৎ খুদিংগী
অৱাবশিং মথং মথং
লেপ্পা লৈতনা।

থৱায়সিদি ৱারেদা
চৈনাখোলশিং খাঙবদা
করি নুমিৎতনো
ঐনা নুংঙাইগদবা।

লেপ্পা লৈতনা খল্লি
মীংচৎ, চাওখৎপা, ইং তপ্পা
খুরৌ থাংবা ঙাক্তা

তন্নমদ্রে অদুবু লাইবকসিদা।

## মীখল
**—এম নিলকুমারি**

ভোট লেপচরি,
ফম্বা ৱারদুনা লেচবনি
মিৎ কুপ্তনা য়েংবিয়ু
তেলঙ্গা য়েকপা মর্কাদা।

অঙাংনা পাইবা তম্বনি
অঙাংবা, অশংবা, অমুবা
পুক্লি পান্দে, মমৈ য়াওদে
পাইরিবনি খোংলোয় কয়ানা।

অয়ূক নুংথিল নুমিদাং
মফম মতম খাইদোক্তে
পীক্লবা লংলানা পুনশিনবা
লংলা হুমফুগী থৌরিনি
চহী মঙা মঙাগী খূৎপায়নি তেলঙ্গা
লমথাবনি ৱাংবা তান্নবনি
অপাইবা ভোটনি তেলঙ্গা।

ওন্থাং ওনশিন তৌরবসু
মচু মমেন হোংলবসু উশাথক্তা পনখ্রবসু
তেলঙ্গা মর্কানি- ভোট
গমদি নপহৌদ্রে খঙদবনা
কোয়পাই পাইগনি মতম য়ৌদ্রিফাওবা
নুংশিৎকী ইপোমদা ঙাওদুনা;

কিসি থোক্তুনা লমথারি
অশিৎ অৱান থাগীনি।
কল্লবা শাফুনি ভোটকী তেলঙ্গা
মফম মতমগীনি ফোইদৎনবা থদৎনবা
মিৎ কুপ্তনা য়েংবিয়ু।

অশেংবা অচুম্বনা থল্লবা
মশক উদ্রবা নুংশিৎকী মায়ওন্দনি
ভোট লেপ্পীবনি তেলঙ্গাদা।

## পুন্সি
**—বেমবেম গুরুময়ূম**

পলেম পন্থৌগী তম্পাক্তা
হঙা মীকপ তম্বদা
পুক থল্ল মীকুপ্তা
মোমোন মীনোক তন্নকই
মায়থোঙ মকা লান্নকই।

মথোৎ কারকপা পুন্সিদা
পিরাং পিরোইনবদা
কায়না মৈশা লাংবনি
শাবি শানৌ হৌনশা
মায়থোঙ থোইনা মমদেদো।

পজেং ফিরাল থেৎকে খন
চীংদোল লোমনা কাবদা
হুমাং খজিক তাবদা
থোইনা হেন্না ফজৈদো
মায়থোঙ পূমঙান ঙানলিদো।

পুন্সি শিন্থা অকনবা
চাওরা পোৎলুম পুবদা
পন্থুং লম্বী খঙদ্রিঙৈ
পুন্সি য়াচঙলম্মী
মায়থোঙ কোহ্লিং কারম্মী।

## অরোইবা অহিং
**—কে শ্যামসুন্দর শর্ম্মা**

মমশিল্লক্লিবা অহিং অসিনা,
অরোইবা ওইনা পুদুনা

মপূং ফাহৌদ্রবা ৱাখলদা
মপূং ফাহৌদ্রবা ৱাফমদা।

নীংজবা পামজবা কয়া'মা,
তপ্না তপ্না মমশিল্লক্লিবা

অরোইবা ওইনা চৎখিগনি
পুন্সিগী মশক তাক্লম্নবা।

ৱাখলগী ঈনোৎ কারম্বা,
ঈপাক্তা লুপখ্রগনি ঈপাকসিদা।

পীরম্লগা নীংশিং চৈনা,
থম্মোয়দা মৈচাক কয়া।

চৎখিগনি নঙদি নিংঙাইদনা,
লেপত্রবা খোঙচৎ অমদা।

অদুবু লৈহৌগনি পুন্সিনা
মরু কোক্লবা উপালগুম।

থাজবা ৱাখল য়াওদনা,
মমশিল্লক্লিবা অহিং অসিনা

চৎখিগনি অরোইবা ওইনা,
চহীসিগী অরোইবা অহিংসে।

## নুংশিবা
**—কুলচন্দ্র মোইরাংথেম**

নেন্না ঐগী লাইবক্লা
নুংশি মঙলান মঙলুবা
য়েক্লা খুরৌ থাংলেদো।

থম্মোয় নুংদা লাৎচবি
নুংশি নঙবু কাউঙমলোই
মঙলানগী য়েন্নিং-কংলবা
পুন্সি ঐগী লোইদ্রিঙৈ।

ফোঙদোক্লিংবদি ফোংঙমদা
নুংশি ৱাহৈ অমনা
থম্মোয় মশক তাক্লবা
নীংবা কায়না তোক্লেদো।

খঙউ নঙসু নুংশিবা
অপাম কাদা য়ৌখ্রসু
নুংশিবা নঙদি লেংলরোই
থম্মোয় লকানুংদগী।

# ঐ মঙ মঙলি

## (শৈরেংগী অতোপ্পা মায়কৈ অমা য়েংলিবা নহা অইবা অমা)

| | | |
|---|---|---|
| মমিং | ঃ | ঐ মঙ মঙলি |
| মখল | ঃ | শৈরেং |
| অইবা | ঃ | ময়েংবম সোমেন সিংহ |
| ফোঙবা চহী | ঃ | ২০১৬ |
| অফোঙবা | ঃ | পেট্রিওটিক রাইটর্স ফোরম, ইম্ফাল |




পাউদম্লিবাঃ সলাম তোম্বা

***মীওই*** খরা লৈ, মখোয়দি আশা শুকমাঙ মাঙদে, পুন্সি, থবক, ৱাখল, মখোয়দদি আশামক্তনি। মখোয়দি কনাদসু দোষ তৌদে, লাইফাওবদসু শাউদে। মখোয়দি কায়নরবসু থুংনবগুম হরাউবা ঙম্মী। মখোয়দা কায়নবা, থুংনবা করিসু খেন্নদে। অদুদি মখোয় নোংমতা কপতবরা? কপ্পি, অদুবু কপ্পা হেক লোইবগা আশা অমনা অদুম পুদুনা চৎখি। অসিগুম্বা আশা শুকমাঙ মাঙদবা মী অতাঙবনি। কবি মরক্তনা অমুক হেনখ্রে তাঙবা। চান্মদা অমনি হায়বদুনি। মীনা থীনা তৌরক্লবসু মখোয়দি লমন খুন্বগী ফত্তবা ৱাখল লৈতে। অফবা খনবনা মখোয়গী অমতা ঙায়রবা পান্দমনি। মী মরক্তনা মহাত্মা গান্ধী লৌখৎপা য়ারে। কবি মরক্তদি ইংরাজিগী ওইনদি রোবার্ট ব্রাউনিং লৌখৎপা য়াই। মাবু ময়াম্না আশা পুবা কবি কৌনৈ। মহাক্না ফাওরিবসি মাগী robust optimism অদুগীনি। Victorian Age দা Tennyson, Matthew Arnold গুম্বা কবিশিংনা অমদি Charles Dickens, Thomas Hardy গুম্বা নোবেলিষ্টশিংনা পুন্সিবু অৱাবা মচু শঙদুনা য়েক্লবসু Robert Browning দি liberal and optimistic outlook অমগা লোয়ননা পুন্সিবু য়েংঙি। মানা হায়, অফবা ফত্তবা, মায়পাকপা মায়থীবা ময়ামসিনা য়োল্লগা শেল্লকপা পুন্সিনি, অদুনা লোইনমক ঐখোয় হরাউনা লৌগদবনি। মাদি পুন্সিবু কৈদৌঙৈদা অৱাবা মফমনি হায়না লৌখিদে। মাগী ৱাহৈদা, "The world's not blot for us/Nor blank, it means intensely and means good." (Fra Lippo Lippi). অদুনা মানা হায়, "God's in His heaven/All's right with the world." (Pippa Passes). মসিবু করম্না ফজদে হায়গনি। ঐখোয়গীসু মাগুম্বা কবি লৈত্রবরা? লৈ। ঐখোয়না লুনা লৌজবা কবিরত্ন, লাইশ্রম সমরেন্দ্রনি। মহাক্তি পুন্সিবু লুনা লৌজে, মাদি হাৎন-শুনরিবা ময়ামসি ইরায় লায়না হায়দোকই, হূইগা হূইগা চিক্লবা, য়েনগা য়েনগা কাওনবা, মীগা মীগা খৎনবা হৌনশানি হৌনশানি, হেক্তা হায়। খক লান্না লৌখিদে। মাগী 'মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে' দা য়েংবা য়াই অমুকসু। ওজানা ওজাগী মথৌ তৌরক্তবা, ডাক্তরনা ডাক্তরগী মথৌ তৌরক্তবা, মন্ত্রিনা মন্ত্রিগী মথৌ তৌরক্তবা, আশা মাঙলবা খুন্নাই অসিদা মানা মখোয়বু হেক্তা চৈদে, মখোয়বু তাথীদে, অদুগী মহুৎ নখোয় ফরকউ হায়বা আশা অমা পীদুনা ইরকই ফাগীওই করিওই, করেম্ন না। মাগী ৱাহৈদা, "ওজানা লাইরিক তম্বীরে/ছাত্রনা নোট তৌদরে/ওজা মকোক কায়দরে/পরিক্ষা পরিক্ষা খুদিংদা/অহন্না অঙাং কিদরে/লম্বী চৎপা হঙ্গৈইদরে/অনৌবা মৈতৈ ওইখরে/অনৌবা লৈবাক ওইখরে/মমাঙ লৈকাই থম্বাল শাৎলে/খোইমুনবু ইল্লেনেহে খোইরাবা।" মসিসু করম ফজদে হায়গনি।

ঐনা ৱাহৈ খরসি থমজরুবগী মরমদি ঙসি অমুক থেংনরে, অফবা মঙদা মঙজগে লাইনীং ওইজবা, অফবা মঙলান অমদা পুন্সিবু তরাম্না ওক্লিবা নহা অইবা অমা। মসি শৈরেংগী অতোপ্পা মায়কৈ অমা থিরকপনি। ময়েংবম সোমেনবু ঐখোয় য়েংবা য়ারি। মহাক্কী অহানবা লাইরিক অসিদা শৈরেং ৪৭ য়াওরি। শৈরেংগী কাঙলোন্দা কূপ্না য়েংলুবদি য়াদ্রি, মখোঙ থাংবদা ঙাইরি। অদুবু মায়কৈদি চুপ্লে। পোৎ অমবু চুম্না শৈথাবা মচৎ য়াওরে। শৈরেং অয়াম্বা Descriptive Poem হায়বদুগী থাক্তা লৈরি। কল্পনা অদুক হাক্লা শীজিন্নদ্রি। অদুবু নহা অইবা অসিগী তাঙলবা মশক অমা থেংনবসিনি নুংঙাইরিবা। মাগী ৱাহৈ য়েংবা য়াই, "অৱাবা পুন্সি নুংঙাইবা পুন্সি তাইবঙগী মচৎনি/তাইবঙ কনাসু ওইনিংদে অৱাবা পুন্সি/... তাইবঙ মপু মানা অৱাবা পুন্সি নুংঙাইবা পুন্সি/থল্লম্মী তোর্বান ৱাংমা ৱাংমদা তাইবঙ লৈকোন্দা।" (ঐ মঙ মঙলি, লা: ৬৬) অইবনা, ঈঙ্গিৎ পীরি, রোবার্ট ব্রাউনিংগুম ঈশ্বরনা শেম্বা পুন্সি মচৎনি, ঐখোয়না তরাম্না ওক্কদবনি। অমুক ৱাবা, অমুক নুংঙাইবা মহৌশানি। অদুনা মানা অমুক শৈরেংসিমক্তদা হায়, "নোংমা কৌবী লাইরেম্বী ইমানা/নোংমা নৎত্রগা নোংমদি শোয়দনা/... খুদোন ওইনা পীবিরক্কনি, নুংঙাইবা ফমথোন।" অইবা অসিগী মিৎয়েং ফনা শেংলে হায়না খল্লি। মঙোন্দা অৱাবা, নুংঙাইবা খেন্নবা লৈত্রে, পূন্নমক মতম্না পুরকপা খুদোলনি খল্লে। মতম্বু চেৎনা থাগোন্নজবা কবি অমা ওইরে। লাইবাউগুম চেল্লি মহাক্লা, মতমগী য়াওন কনানসু থিংবা ঙম্লোই, থিংনবসু হোৎনরুগনু, অদুগী মহুৎ তরাম্না ওকসি অওনবা পূন্নমক হায়না। মাগী ৱাহৈ, "চেঙহী/মনম চূরম্বা/মুরা শল্লাংসু/ঙৌরক্কনি/ফজবা মায়থোঙসু/খুইজিল্লক্কনি/অহল মতম্না/মাঙদা লেপ্লরবদা।" (মতম্না পুরকপা, লা: ৭২) অদুগা শৈরেং অসিমক্তদা কবিনা আশা অমগা লোয়ননা লোইশিল্লকই অসুম্না, "তাইবঙ/মালেম লৈকোলসু/মতমগী অওনবা তুংইন্না/চাউখৎপগী মঙালগী লম্বীদা/মখা/শমথরকখিনি।" মসিদি ঐখোয়গী শৈরেং খোঙচৎতা অনৌবা মায়কৈ অমা থিরকপনি হায়নীংঙি।

অতোপ্পা মশক অমনা, কবি সমরেন্দ্রগুম চৈবসু তৌদবা, ভাবসু তাহনবা শৈদোদা ইবা ঙম্বা অসিনি। করেম্নবসু মানবা, ইকাইহনবসু মানবা অদুবু অফবা ফল অমগী আশাদি খক থাদোক্তবা খূৎই অমা য়াওরিবসিনি। অইবনা মথমোয় চাকচৈ, মচি মচি কৈথেলদা, সড়ক্তা, খুনয়াইদা অমোৎপা মপৈ মপৈ উবদা। কনাসু মাগী মাগী অততাই নত্তবনা কান কান্দুনা চৎপা উবদা মহাক লৈবা ঙমদে। অদুবু থীনা চৈরুবদি য়াদে, অদুনা ইরকই আইরনী শীজিন্নদুনা অসুম্না, "তাও, তাও! তাও!/অতাবসু তাহৌরো/খঙদবসু খঙহৌরো/অমোৎপা, ফত্ত-হৌদি/চীংমুক ৱাংনা/পৈবা লৈকাইদা/লৈকাইদুগী খুঙ্গাশিং/ইকাইখুম্নবা পীগনি/লৌ পরি অমগী/মনা চাউনা পীগনি/লৈকাইরাকপগী য়াথংনে।" (পাউথাং, লা: ৫৯) মসিদা উৎলিবা নুংগী ৱাহন্থোক ফজদে হায়বা ঙম্লোই।

অমুকসু য়েংবা য়াই অইবা অসিনা মীতৈ নুপীদা থল্লিবা নুংশিবা, থাজবা, ফজবা। ঙসি নুপীগী মনীং তম্বা হেনগৎলকপগী, পামদবা লমচৎ চৎলকপগী নিংদোন পোম্নরিঙৈ চৈরক্তা সোমেনদি মৈতৈ নুপীবু থীনা য়েংবা পামজদে। ৱাফমসি মাগী ৱাহৈ খরনা তাকই। মানা হায়, "য়েংঙু লাউ, য়েংঙু লাউ/লৈকাই ইচে, ইচলশিং/মৌ অনৌবীগী ফজবা/শক্তমসে/তরু তরুবা মায়থোঙসে/... অয়ূক্কী শজিক্কুম লংলবা/শক্তমসে।" (নিংঙোলদো, লা: ৫৫) ফজবদা উবা, ফত্তবা হায়বদু খঞ্জদবা কবিগী মচৎনি। তুংগী মিৎয়েং সুম পাকথোক্লক্কনি হায়বগী থাজবা লৈরিবা অইবনি। মঙোন্দা য়াওরি, অতোপ্পগী মরালদা থিদুনা ঙাঙবা পামজদবা থমোয়, মঙোন্দা উরি, ফত্তবা হায়বদু য়েংজরোই, ফত্তবা হায়বদু ঙাঙজরোই হায়বা ৱাখল। অদুনা ইথোক্লকই, "কনানা করি হায়রিবা/ঐ খঙদে/কনানা করি লাউরিবা/ঐ খঙদে, ঐ খঙদে।" (ঐ খঙদে, লা: ৮) মসিসু ফজবা পুকচেলগী মশক্নি। অমুকসু কবি নহা অসি মতমগী মেটিরিয়েল ৱর্ল্ড অমদা তাউদুনা লৈবা পামজদ্রি, অদুগী মহুৎ মাবু মশক খঙবীবা, মাবু পেলহনবদি থাগৎ ৱাহৈ অমনসু য়াই হায়বদু 'জগোই শাবী অমা' হায়বা শৈরেংদা উবা ফংই। জগোই শাবী অমগী মশক লৌদুনা কবিনা হায়, "তরেৎ শেঙ্গা থাবীরকপা/মীহৌবা পোক্লুদে/থম্মোয়না/লৈ পরেংনা/ঐগী ঙকশমদা হুকপিরকপা/মদুনা কল্লকচৈ, পাম্মুজৈ।" (লা: ১০) অৱাংবা থাক্কী ৱাখলনি।

অমুকসু অরং-অরাক্তা লুপ্তবা মাগী মফমদা তাইবঙগী পুন্সিবু অরেম্বদা সনা লুপা মিহৌদুনা মাঙহনবা মানা তেংথাজৈ। মহাক তশেংনা থৱায়গী খোঙচৎ মশক খঙনা শৈথারি। মাগী ৱাহৈদা, "হনখিনি থৱায়না/মপু মাগী লৈকোন্দা/লৈরাং লৈনম ওইনা/তিনখিনি হকচাংনা/লৈরোন্নুংদা/অরেম্বনি/তাইবঙসা, অরেম্বনি পূন্নমক।" (তাইবঙ মীওইবা, লা: ৫) মসিদি ৱাংউলোন খুদিংনা য়ারমগদবা ৱাহৈনি।

য়ামখ্রে, পাউদম্বা য়াবা কয়াদি লৈরি। অদুবু মফম্না য়াদ্রে। পূন্না য়েংবদা অইবা অসিগী খূৎই য়াম্না চম্মী। সিম্বল, মেটাফর, সিমিলি য়াম্না হাপ্তুনা অপাবশিং কোক ঙাওহনবা অদু নত্তে, মাগী অপাম্বা। মানা ৱাহৈ খরদং ফোঙদোকপদু ইচম চম্না অপাবশিংগী থমোয় য়ৌহনখিবা অদুনি মাগী লাইনীং। মাগী লাইনীং অমসু লৈরি, মদুদি অহোংবা খুন্নাই, অওনবা মালেম অমা পুরকপা, মদুগীদমক করিসু মানা তৌবা ঙম্লুদ্রবসু ইঙ্গিৎ অমদি পীরমনিংলি। মসি মাগী ৱাহৈ খরসিদা খঙঙি। মানা ইরি, "নোং-ও চুরো/লেমলৈ ঙা ঐখোয়/পোনগী ঈরোন্নুংদা/পুন্সি লেনবা ৱারে/অনৌবা ঈচেল নুংদা/নীংতম্না শান্নগে।" (নোং-ও, চুরো, লা: ৪১) কয়াদা খৌরাংজবা অনৌবা য়াওল অমা, ৱাহৈ খরতনা তাকপা ঙম্মী। অদুবু অইবা অসিগী পামজবা অনৌবা য়াওলদি অফবা মায়কৈদা ওনবনি। অদুবু মাগী অকোয়বদা উরিবা মিৎ নাবা মওংগী অওনবা, অহোংবা অসিগীদমক্তদি মহাক খোয়রাংজৈ। মানা অদুবু চৈবগী মহুত্তা পাউরৌ ওইনা শৈথারি, "ফাইরেলগী অঙাওবা নুংশিৎসু/মরুপ ওইখিদ্রে অকংবা উনাগা/তাইওন্নরে তাইবঙ লৈকোলসে/তাইওন্নরে তাইবঙ মীওইবা।" (তাইওন্নরে, লা: ৭১) পোৎ খুদিংমক মফম চাদ্রে হায়বদু ৱাহৈ খরা অসিনা ফোঙদোকপা ঙম্মী।

অদুবু লোইশিল্লকপদা ৱাহৈ অমতংদি হায়নীংঙি। সোমেনগী মফমদা। ৱাহন্থোক অনী পুবা ঙম্বা ৱাহৈবু শৈরেংগী ৱাহৈনি হায়রি। অদুনা শৈরেংগী লৈরিবা উপাই ময়ামদু শীজিন্নদুনা ফজবা মখলগী শৈরেং অমুক ইবা হৌবা য়ারে হায়নীংঙি।

ৱারীমচা

# নাইন ৱান ৱান

**-এস ভানুমতি**

'পুং ৭ তাশিল্লক্লে রোমিদুবু কমহাই তৌরিজাৎনোনে হৌজিকফাও লাক্ত্রিসিবো!'

তোম্বীনা চা থক্লা থক্লা হায়রকই। তোম্বীগী ৱা তাবদা সুরেসনা পাঙশিল্লকই-'হোয়নে মানা হৌদোক্লম্মিনিনে চিয়রস তৌসি হায়দুনা। করি তৌরজাৎনো, মতমসি থেঙখিবদি ফত্তে হৌজিক্কী মতমসিদা ঙসাইদই টেলিফোন তৌবসু পায়রক্তে, কদায় চৎলিজাৎনোনে মাবো? ঙন্তা হল্লক্কনি হায়বনিনে। ইমানা চাসু পীথক্লে ঐখোয়দি অচাপোৎসু পঙচাদ চাশিল্লে... মা ঙাইন ঙাইন ফম্বদা।

মখোয় ময়াম অসুম্না ঙাঙনরিঙৈদা রোমি গেট্টগী লাউদুনা চঙলকই, 'ভাই! নখোয় ৱারৌবা য়াদ্রে ঐ খরা থেঙদোকখ্রে। ওন্থোকপা থৌদোক হায়দুনি, গাড়ী নুংশিৎ তাদুনা খঙনবা মরুপ অমদা শিন্নরগা ৱার্কশোপ অমদা থনম্মে। ইরোয়লোইবা বস মী চিনখ্রবা অমদা তোংলক্লবনি। চিয়ারসকী লাঙবনে ৱার্কশোপ অমা অনী লৈবদুনা মরোল অমা শেল হেন্না হেন্না লৌদৌগী তৌখিবা নীংঙাইসিনা করিবু হায়রুনি, ৱা ঙাঙন-শানবনা নুঙাইত্রিবা। তল্লিদা ঐখোয় লৈবাকসে য়াম্না ৱায় ঐনগা শেম শাবা হৈতবনে- ফরে হয়েং ঙন্তানা হেক্তা হাইথরগে।'

'ফরে ফরে ৱারম্মনি লাকও ভাই, ইংসু ইংলে, নখূৎ নশাদো মৈফুসিদা শাহল্লো লাউ। চাক লোইদ্রিঙৈসিদনে নঙগী গাড়ী য়াদ্রিদো অদুগা মরী লৈনবা য়াম্না নুঙাইবা ৱারী অমা লীবিগে লাউনে।' নোক্ল নোক্লদুনা বোবীনা রোমিবু মখূৎ পায়রগা মনাক্তা ফমহল্লে।

ময়াম্না লাউরকই- 'হৌরো হৌরো ... তারসি করি ৱারীনো।'

বোবিনা ৱারী লীবা হৌরকই-'ভাই ঐনা মমাঙ চহীদা য়ু এসতা লৈরিঙৈদা থোকখিবা থৌদোক অমনি।

নোংমদি ঐগী কারগী য়েৎথংবা মনীংগী চাকাদো নুংশিৎ তাথোকখ্রে। কারদুসু অহনবনিনে, লৈবদা ঙায়রিবনিনে। থৌববুদি ফজনা হৈরগসু শেম শাবদি ঐ কয়া হৈতে। হায়ৱেদুগী মতাই ওইরপ্না খাম্বদি খামহৌরে। ঐ তৌফম খঙদ্রদুনা ঐগী মরুপ জোনদা টেলিফোন তৌখি। ঐদি গাড়ী চাকা শিন্দোক শিনজিনসু হৈতে করম তৌনি হায়খি। জোননা হায়রকখি "হাই- নাইন ৱান ৱান্দা রিং তৌশিল্লোদনা'। অদুগা গাড়ীদু শেন্নীনবা মী খরা শোয়দনা লাক্লনি।"

ঐদি মানা হায়রিদুদা পূক্লিং চিংশিল্লুদ্রে, ফাগীদুম তৌরিবোই খল্লুই। অদুনা স্মীথ কৌবা ঐগী মরুপ অমদা অমুক রিং তৌদুনা ইতেং পাঙবিনবা হায়রুবদা কন্না নোক্লগা স্মিথনসু হায়রকখি-"ঐনদি কৈদৌরুনি, নাইন ৱান ৱান্দা রিং তৌশিল্লু অদুগা ঙাইহাক ঙাইয়ু। করিসু খল্লুনু, মখোয়না থোকপা শোয়দনা নতেং পাঙবীরগনি।

ঐ ৱাখল ইতা তাখিদ্রে। মদু ঐগীদি অঙকপা অহানবা থৌদোক্নি, অদুগী মথক্তসু মীরমনিদো। তৌফম খঙদ্রদুনা লাইবক য়েংলগে খন্দুনা মোবাইল পায়খৎতুনা রিং তৌরে 'নাইন ৱান ৱান্দা'। অঙকপনি, নুপীগী নৌরবা খোঞ্জেল অমনা খুন্নকই ইংলিসতনিকো- করি মতেং পাঙজৌ হায়বগে? ঐ চমম্নে, খোঞ্জেলদুনা অমুক্কসু হায়রকই - 'করি থৌদোক থোক্লবগে?' করি পাঙজৌ হায়বগে?'

ঐ ৱাখল ইতা তাদ্রে-অমুক্কসু হংলে, 'পায়বিরিসি নাইন ৱান ৱাননিকো?' নুপীদুনা খুম্মকই, 'মানি, করি মতেং পাঙজৌ হায়বগে?' অদুদৈদি ঐনা খুমখি-'ঐগী কারগী মনিং থংবা চাকাদু নুংশিৎ তাখ্রে' অদুদসু মহাক্লা ৱাহং কয়াসু হংলকখি, 'মী শোকপা য়াওব্রা? কারদুনা কয়াম শোক্লবগে?

ঐনা খুমখি,'কারসু শোক্তে, নুংশিৎ তাখিবগী ৱানি ঐনা শিন্দোকপা হৈতবনি।' অদুদৈদি মানা হায়রকই 'ফরে অদুদি ঐনা হায়রিবসি শোয়দনা পাঙথোক্লো করিসু চিংনবিনু, মতেং পাঙবা মী লাক্লনি।'

ঐনা কয়াম কুইনা চঙগদগে হায়না হংবদা মানা হায়রকই- 'মিনিট তরাগী মনুংদা য়ৌরক্কনি, নহাক্কী কারগী মমাঙগী বোনেৎ অদুগা মনিংগীদুগা হাংদোক্লগা থম্মু। অদুগা নহাক মিটর তরারোম চৎথোক্লগা লম্বীগী মতাইদা লেপ্লগা ঙাইরো, করিসু ৱাবিরুরনু।' য়াম্না ঈংনা নুংশিনা হায়রকখ্রবা খোঞ্জেলনি তাখিবদু।

মিনিট অহুম খক্তমক চৎপদা ঙাইরি, পুলিসকী অচৌবা কার অমা লাক্তুনা ইনাক্তা খাল্লরে। অদুগা ঐগী কারদুদা য়েংলগা পুলিস অমনা হংলকখি-

'মসি মিষ্টর বোবীগীরা?

ঐনা 'মানি' হায়না খুমখি। মানা অমুক হংলকই, নঙ মেক্সিকানলা?

ঐনা অমুক খুমখি- 'নত্তে ঐ ইন্দিয়াননি' মহৈরোয়রা? হায়নসু হংখি, ঐনা 'নত্তে' হায়খি। মফমসিদা থবক তৌবরা' হায়বদা ঐনা 'তৌই' হায়না খুল্লবা তুংদদি ঐগী আই কার্দ য়েংগে হায়দুনা মঙোন্দা উহনখি। অসুম্না য়াম্না কূপ্না ৱাহং পাউখুম তৌনরবগী তুংদা মিনিট মঙাগী মনুংদা ঐগী য়াওরিবা এক্সত্রা চাকাদু পানশিনবিরে। অদুগা হরাউনা ঐবু য়েংলগা হায়রকখি, 'নহাক্কী নতেং পাঙবা ঙমজবসে ওন্থোক্লা নুংঙাইজরে, অদোম ওফিসতা মতম চানা থুংলুবা ঙম্মনি' হায়রগা চৎকদবগী শেম শারকই। ঐনা মাবু খাল্লগা হায়খি- 'য়াবিরদ্রা সার?' 'করি তৌজখোগে' হায়না ওনশিল্লকখি। মতমদুদা ঐনা ঐগী ৱালেটতগী দোল্লরগী নোটশিংদু লৌথোক্লবা কন্না হোৎনরি অদুগা মঙোন্দা হায়খি-'পীফম থোকপা শেল কয়া ওইগদগে?'

ঐগী ইতৌদুদা ঙক্লপ য়েংলগা হায়রকখি

'অদোম্বু চাং নাইনা টেক্স থিদবরা?'

ঐনা মতম চানা চানা থী হায়না খুম্মী। ঐগী ৱাহৈ তাবদা নোক্লগা হায়রকখি-'ঐখোয়না নখোয়গী নতেং তৌজবগী অৱামলদি অদোম্না থীবিরিবা টেক্সতুদা য়াওখ্রবনি।'

মাগী পাউখুমসিদা ঐঙোন্দা ওন্থোক্লা ঙক্লা থোকখি। মহাকসু চৎনবগী শেম শারকই। অদু উবদা ঐনা অমুকসু খামখি।

'ওফিসার...করিগুম্বা খরদংগা হংজখিগে। য়াম্না খঙজনীংদুনা তৌবনিকো। ঐনা রিং তৌবা মতমদা মিনিট তরারোম চঙগনি হায়রগা মিনিট অহুমগী মনুংদা য়ৌরক্লিবদু করম্ননো?

'ও অদোম্না রিং তৌবা মতমদা অদোমগী লৈফমসি ফোন ওকপীরিবা মীদুনা খঙলবনি। অদুনা মানা খ্বাইদগী নকপা অমা খল্লবা তুংদা ঐখোয়দা মতেং পাঙনবা শিন্নরকখিবনি।

'অদুগা নুপীদুনা অশোক অপন য়াওবরা হংলিবদুনা করিগীনো?'

'ও... শোকপা খোৎপা য়াওরগদি 'এম্বুলেন্স' পুদুনা লাক্লবনি।'

ঐ পূন্নমকসি তাবদা য়াম্না নুঙাইজখি অদুনা হায়জখি 'ঙাকপীগনি ৱাহং অমা অনীদংগা হংজখিগে। ঙসাই মেদামদুনা গাড়ী শোকপ্রা হংলিবনা করিগীনো?

'করিগুম্বা গাড়ী শোক্লবদি ফাইয়র ইক্সতিংগুইশর য়াওবা অখন্নবা গাড়ী পুরক্লবনি। কনানা তম্বা ঙম্বগে মৈহৌ লাংপোক থোকপসু ময়াই, খন্দবা য়াদবনি।'

'অদুগা গাড়ীগী বেনেট অমদি মনিংগী থোঙ হাংদোক্লগা থম্নবা অদুগা মিটর তরারোম চৎথোক্লগা লম্বীগী মতাইদা লেপ্নবা হায়রক্লিবদুনা করিগী?'

পুলিসতুনা নোকফেৎ তৌরগা খুমখি-

'হায়ৱেদি গাড়ী কন্না থৌনবনিনা কনানা খঙনি নঙগী গাড়ীদু বেনেট অমদি, মনীংগী থোঙদু হাংদুনা থমদ্রবদি চেল্লিবা কার ওইবোই নীংদুনা কন্না থৌজিল্লকপা য়াই, থেংজিল্লন্বসু য়াই। নহাকসু শোকপা য়াই অদুননি।

অদুগা মহৈরোয়রা হায়না হংলিবনা করিগী?

মহৈরোয়শিংগীদি তোঙানবা কাঙলোন কয়া অমা লৈ অদুননি য়ারেকো ... করি করি হায়বিখিনি?

'য়াজরে, য়াজরে, অদোম্বু থাগৎচরি- হায়রগা মখোয়বু হরাউনা বিদায় পীখ্রে। য়েংঙু ভাই ঙক্ত্রা? কয়া কাঙলোন চুম্না মখোয়না হিংলিবা? চাওখৎপা হায়বু অসি মঙাইনে হা?

রোমিনা মুন্না তারম্বদগী খোল হৌরপ হায়রকই "অওইবনি ভাই, চহী য়াংখৈ খক্কী খেন্নবদি ওইগদবা মান্দে - ফনা ৱাৎখিনি ঐখোয়না মখোয়বু তানগদবসি - ফরে ভাই ঐখোয় মরুপ্তগী কান্নখ্রবা ৱারী অসি তাজহৌবসি লাইবক ফবনি হায়জগে। বোবিদি অমুক য়ু এস চৎকদবসদু কুইদ্রে, অদুনা ঙসিগী চিয়রসকী চাকসি নুংঙাইনা চামিন্নরসি। অদুগা বোবি! মতুংদসু পূক্লিং লৌশিং ওইবা য়াবা, ঐখোয়না শোক্ত্রিবা পাড়া কয়া য়াওবা নুংঙাই-নুংঙাইবা ৱারী তুংশিল্লগা পুবিরক্লবা হায়জরি। হৌজিক্কীদি পূন্নমকপু খূৎ-শা শেংদোক্তুনা ফোং ফোং শারবা চাকসি চাবীনবা খুরুমজরি।"

ময়াম পূক্লিং মকা লাম্না হৌনা নোকই।

***(য়ু এসতা মতম কুইনা থবক তৌদুনা লৈখিবা মরুপ অমগী মফমদগী তাজরুবা নোংমই থৌদোক অমগী ৱারীদগী ইথোকচবনি)***